HUEIYEN LANPAO | Wednesday, July 27, 2016, Imphal | স্পোর্টসকী পাউ 11

# রিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়াগদৌরিবা এথলেট পূন্নমক মায় পাক্লা হনবীরকউ, ঐখোয়সু ওক্লবা ঙাইরমগে ঃ এল অনিতা চনু

## রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ না লাকপদা

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



ৱেথ লিফটিং কোচ অনিতা চনুনা শান্নরোয়শিংবু ট্রেনিং পীবগী শক্তম



ৱেথ লিফটিং কোচ অনিতা চনুগা লোয়ননা মীরাবাই চনু

হান্নগী মখা...

ষ্টেট ৱেথলিফটিং কোচ অনিতা চনুনা মখা তানা হায়, মণিপুরদগী রিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়াগদৌরিবা এথলেট পূন্নমক মায়পাকপা ওইবীরকউ। মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ওলেম্পিক্কী শান্নবুংদা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরালনা নোংমদোল খেৎনা পাইহনবদা ঈশ্বরনা শক্তি থৌনা পীনবীসনু। মীরাবাই, বোম্বেলা, সুশিলা, অনুরাধা, কোথাজিৎ, চীংলেনসন্না, ওলেম্পিক মেদল পুরগা মাইথোং মকা লাম্না মায় পাক্লা হনবীরকউ।

ঙাংবম সোনিয়া চনু, সাইখোম মীরাবাইনচিংবা ওলেম্পিয়ন পুথোকখ্রবা মতুংদা হৌজিকসু অঙাং ১০ রোম টোকিও ওলেম্পিক ২০২০ গীদমক ট্রেনিং তৌরি। গ্রাসরুটতগী মখোঙ চুম্না শেমখিবা তারবদি ওলেম্পিক্কী থাক য়ৌবা হায়বসি অরুবা নত্তে। মতম খরগী মমাঙদগী ট্রেনিং তৌরকখিবা অঙাংশিং হৌজিক ফগৎলকপা লিফটর য়াম্না য়াওরে। চহী মতাং মতাংগী ওইনা পীরকপা ট্রেনিংদা মায় পাকপা ফজনা ঙম্বা অঙাং খরা য়াওরকপসি উবদা মখোয়বু হেন্না শেম্মিংবা অমসু পোকহল্লে। ঐগী ওইনসু ঙমজবা দাইট, ফুদ সপ্লিমেন্টনচিংবা পীদুনা অফবা অঙাং খন্দোক্লবা কন্না হোৎনজরি। হেন্না ইমপ্রুভ তৌরকপা জুনিয়র লিফটর খরদি নোংমদা অয়ূকখক্তং ট্রেনিং তৌবসি কোন্নদে। অদুনা অয়ূক অমসুং নুংথিল অনীমক্তা ট্রেনিং পীবা য়াননবা, মখোয়গীদমক খুমন লম্পাক্তা নক্লবা অশানবা য়ূমসু থিরি। অঙাংশিং ফগৎলক্লে খল্লবদি মতাং মতম চানা দরকার লৈবা ট্রেনিং পীহৌদবা য়াদে। মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সি অসিদসু মফম, মতম, মতাং হায়বসি কন্না শেন্নদবা য়াদে। ঐখোয়দি তশেংনা অঙাং শেমজগে হায়না থোকচরকপা কোচনিনা স্পোর্টসকা মরী লৈনবা অঙম অথৌ পূন্নমক্লসু শকখঙবীবা পামজে।

প্লেয়র শেম্বা মতমদা মমিংতগী ওইনা তাকপী তম্বীবা মদুগুম্বদু ঐদি পামজদে। কোচ ওইগে হায়দুনা থোরক্লবদি কোচ অমগী অশেংবা মশক্তু ঐখোয় ময়েক শেংনা উৎপা তাবনি। ঐদি অঙাংশিংগী খঞ্জরগা অৱাৎ অপা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা মিৎয়েং চঙবা ঙমগদবা, মরী লৈনবা খূৎশু খূৎলায়, এক্সর্সাইজ তৌবদা মথৌ তাবা ইক্বিপমেন্ট দিমান্দ য়াম্না তৌগনবা কোচনি।

নেসনল থাক ফাওবগী অঙাং শেম্বগা ইন্টরনেসনল অমদি ওলেম্পিক য়ৌননবা শেম্বীবগা অনীসিদি মশানা খেন্নবা তাবনি। পীক্লিঙৈদগী তপ্না তপ্না ট্রেনিং অমত্তা কান্দনা কুপ্না শেন্নরগা শেমগৎলকপা অঙাংদি মরক্তা লেপথোকখিবা য়াওদে। কন্না ফজরল্লবসু, খঙহাই হায়থখিবা য়াওরক্লিবসিদি মরৈ মরা মুন্না নীয়ম চুম্না শেন্নক্তবগীনি। কাবক-কাবক শেম্বা অঙাংদি ফরল্লবসু শৎ হেক্তা মুৎখিগনি।

মরম অদুনা হৌজিক্তি অঙাং শেম্বা মতমদা ওলেম্পিক্তা মিৎয়েং শান্না থল্লগা লিফটর অদুগী পূক্নিং ৱাখলদসু ওলেম্পিক্তা ঐহাক শোয়দনা য়াওগনি, মেদলসু লৌগনি হায়বসি ফাওহল্লগা তাকপী তম্বীরে।

ঐগী পুন্সিগী তাঙ্কক অমদা লিফটর ওইজরিঙৈদা থেংনজরকখিবা রসিয়াগী, হঙ্গেরিগী শক্লাইরবা কোচশিং অদুনা ঐঙোন্দা ৱেথলিফটিং হায়বা মশান্নসি করিনো হায়না ময়েক শেংনা খঙহনবীরম্বনি। মখোয়না ট্রেনিং তৌবীরকপা মতমদা শান্নবখক্তং তম্বীরক্তে। প্লেয়র অমনা খনগদবা ৱাখল, চৎকদবা লীচৎ, চাগদবা চিঞ্জাক্কী মতাংদসু তম্বীরকখি। পুন্সিদা ঐনা খ্বাইদগী নুংঙাইখিবা মতাং অমদি, হঙ্গেরিগী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর য়ুবানা তাকপীরকখিবা মমল নাইদবা পাড়াশিং অদুনি।

শান্নরোয় অমগী পুন্সিদসু মায়পাকপা অমসুং মায়থীবা অনীমকসি শোয়দনা থেংনরগদবা ঙাক্তনি। অদুগুম্বা মায়পাকপা অমদি মায়থীবা মতমদুদা পূক্নিংদা করম্না খুদম পীগনি হায়বসি কোচ অসিনা মচা খায়না তাকপীরকখি।

অসিগুম্বা কয়াসি ঐখোয়নসু খঙজরবনিনা প্লেয়রশিংদা হৌজিক্তি তাকচবা ঙমজরে। চপ চাবা পান্দম অমা ফংদ্রিঙৈদা খঙহৌদনা ফজে খঞ্জবা অঙাং অমনা লম্বী ফৈনা চৎলকপা মতমদা করম্না কন্ট্রোল তৌগদগে হায়বগসিসু ঐহাক খঙজে। মসিসু অরাইবা থবক্তি নত্তে। অদুবু করম্না কন্ট্রোল তৌগনি, পূক্নিং ৱাখল হন্থহন্দনা মায়পাকপগী লম্বেলদা চুম্না চৎহনগদগে হায়বসি ইশাদা নোলেজ লৈরবনিনা, হৌজিক্তি প্লেয়রসি য়াম্না ময়েক শেংনা শেংনা মশক থোক্লা পুথোকচনীংই।

হৌজিক হৌজিক অফবা লিফটর পুথোক্লবা তৌবা য়াবা থৌরাং খরা হায়জরগদি, ষ্টেটসিগী দিষ্ট্রিক্টশিং থুংনবা চয়োল মরি/মরিগুম্বগী টেলেন্ট হন্ট কম কোচিং প্রোগ্রাম অমা পায়খৎপা ঙল্লগদি লেপ্তুনা শান্নরোয় পুথোকপা ঙমগনি। টেলেন্ট হন্ট তৌবা মতমদা লোৎতুনা লৈরম্বা খরদি শোয়দনা থোরক্কনি। ৱেথলিফটিং, জুদো, আর্চরি, হোকি, বোক্সিং... হায়রিবা মশান্নশিং অসিদা ওলেম্পিক য়ৌনা অঙাং শেম্বা হায়বসি মণিপুরগী ওইনা অরুবা অমদি ওইররোই। লমদমসিগা খ্বাইদগী চান্নরে হায়না খঙলবনিনা মশান্নশিং অসিদা খরগা হেন্না মিৎয়েং চঙবা মতম ওইরে হায়নসু খল্লি।

অরোইবদা, অমুক্কসু হন্না রিও ওলেম্পিক্তা মণিপুরদগী শরুক য়াগদৌরিবা এথলেট পূন্নমক্তা থমজনীংবা ৱারোলদি নখোয় পূন্নমক মায়পাক্লা হল্লকউ। ঐখোয়সু নখোয়না লৈবাক অসিগী মিংচৎ উরোং খিল্লমদুনা হরাউ তয়াম্না হল্লকপদু ওক্লবা ঙাইরমগে। - লোইরবা-

# নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী হেদ কোচ পোর্টুগলগী নেলো ভিনগাদানা ওইরগনি



মুম্বাই, জুলাই ২৬ ঃ

জোন অব্রাহমগী নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী হেদ কোচ ওইনা মমাঙগী পোর্টুগল নেসনল টিমগী মেনেজর ওইখিবা নেলো ভিনগাদানা ওইরগনি হায়না ক্লব অসিনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী অহুমশুবা এদিসন্দা শরুক য়াগদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা পোর্টুগলগী হান্নগী নেসনল টিম মেনেজর নেলোবু মখোয়গী হেদ কোচ ওইননবগীদমক খূৎয়েক পীনখিবনি।

প্রোফেসর হায়রগসু হেন্না খঙনবা নেলোনা ফিফা অন্দর-২০ ৱর্ল্ড কপ্তা পোর্টুগলগী অন্দর-২০ টিমবু লুচিংদুনা শরুক য়াখিবদা অহুমশুবা পোজিশন তারকখিবনি অমদি অঙনবা মতমদা মেনেজর কার্লোস কুইরোজগা পাদুনা অনীরক চেম্পিয়ন ওইখি।

নেলোগী ইন্টরনেসনল এক্সপরিএন্সশিং অদুনা লাক্লিবা সিজন অসিদা ক্লব অসিগীদমক মশক থোকপা থবক থৌরম খরা পায়খৎতুনা মীয়ামদা উৎকনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

নেলোবু চীফ কোচ ওইনা হাপখিবগী মতাংদা অব্রাহমনা হায়, নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী অনৌবা হেদ কোচ ওইনা নেলো ভিনগাদাবু হাপখিবদা অপেনবা পোকই। টিম অসিনা মহাক্কী লীদর অমা ওইবগী হৈশিংবা অদু শোয়দনা তম্বা ঙল্লগনি হায়বা ৱাফম থম্লদুনা মহাক্কী ইন্টরনেসনল এক্সপরিএন্স অদুনা মহাকপু মতিক চাবা কোচ অমা ওইনবগী লম্বী য়াৎপদা নত্তনা টিম অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুরক্কনি হায়বগী চাউনা থাজবা লৈ হায়খি।

নেলো ভিনগাদানা ইজিপ্টসিয়নগী সাইদ জমালেক এফ সিবু লুচিংখিদুনা সিজন অমদা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা টাইটল লৌবা ঙমহনখিবগী লেমজনিংঙাই ওইৱবা মিংচৎ লৈরিবনি।

মহাক্কী অদুগুম্বা হৈথোই শিংথোইবা অদু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী নহা ওইরবা প্লেয়র অসিদা তম্বীদুনা জমালেক এফ সিনা লৌবা থৌদাং অদুগা চপ মান্ননা ক্লব অসিবুসু লৌহনগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

# মণিপুরগী ফুটবোল্লর ১৫ জর্মন্দা ট্রেনিং তৌনবা খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ :

টাটা ত্রষ্ট অমসুং য়ু স্পোর্টসনা হন্দক খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মণিপুরদগী চহী ১৫ মখাগী ফুটবোল্লরশিং খন্নবগী পাঙথোকখিবা স্কাউটিং অদুদা ফাইনেল ওইনা মায় পাক্লবা শান্নরোয় ১৫ খনগৎখ্রে।

মায় পাক্লবা শান্নরোয় ১৫ অসিনা জর্মনিদা চহী তরুক লৈদুনা তোঙান তোঙানবা ফুটবোলগী ট্রেনিং ফংলগনি। জর্মন্দা লৈবা প্রেমিয়র কোলাবোরেটিব ফুটবোল ট্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়ানবগীদমক ফাইনেল ওইনা খনখ্রবা মণিপুরদগী শান্নরোয় ১৫ অদুদা গোলমৈ অপু কবুই, টিমোথি জিনলিয়ানথু, এন কিষন, সোরোখাইবম রোবার্ট, নৈলিনথাঙ আইমোল, চীংখোসাইম দিমঙেল, ঙাঙবম সুরজকুমার, নিংথৌজম বিদ্যানন্দা, সোরোখাইবম পুন্সিবা, লৌরেম্বম টাইসন, জাকির খান, ইফম ইমটিয়াস খান, অবুজম সনাথোই, রাকেস অমদি তেলেম শাফবনি।

খল্লবা শান্নরোয় ১৫ অসিনা মশা মশাগী পাসপোর্ট অমদি মরী লৈনবা চে-চাংশিং অথুবদা লোইশিনগদবনি। লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা মরী লৈনবা চে চাংশিং অম্ফাগী ওফিসতগী থিন্থবা তৌদনা লৌরবা য়াগনি হায়রি।

# ষ্টেট লেভেল সুব্রটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ :

দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৮ দগী ওগষ্ট ৩ ফাওবা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়ম, প্রেক্টিশ গ্রাউন্দ অমসুং আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচা অদুগা চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ওইবা ষ্টেট লেভেল সুব্রটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা মেচ কন্দক্ট তৌগদবা ওফিসলশিং খনখ্রে।

ষ্টেট লেভেল সুব্রটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা মেচ কন্দক্ট তৌনবগীদমক খনখ্রবা ওফিসলশিং অদুদি মেচ কম্মিস্নরদা কে এস ঐচ সরতচন্দ্র অমসুং কে এস ঐচ মোধুচন্দ্রনি। রেফ্রিদা এল গোকুলানন্দ শর্ম্মা, টি ঐচ কিরঞ্জিৎ, কে মোজেস, এল শান্ত, কে ঐচ ইবুংঙো, এ সনাতোম্বা, কে ঐচ রঞ্জিৎ, এস ঐচ সুরেস, ৱাই ইঙোবী, ঐচ অমরজিৎ, কে অজিৎকুমার, আর কে রঞ্জন, এস তোম্বী, এল হরিমোহন অমসুং টি ঐচ রঘুনি। খল্লবা রেফ্রিশিংনা থা অসিগী ২৭ কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা অম্ফাগী ওফিসতা লাক্তুনা মেচ কম্মিস্নরদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

HL-P/8883/17/6-14/8 (alt)

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ১৩

1. করম্বা তুরেলগী ময়াইদা লৈবা ঈথৎ অমদা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোকখিবগে?
2. অহাংবা অসি মেনশিল্লু। নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদা মণিপুরদা চহীগী ওইনা ইঙৌ হায়না কৌবা টিম অমগা...................... কৌবা টিম অমগা হিয়াং তান্নহল্লি।
3. ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা নেসনলগী ওইবা শান্নবগী অথোয় অহেন তান্নবদা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইখিবগী থৌদোক অমা য়াওখি। রেকোর্দ থুগাইখিবা মশান্না অদু করিনো?
4. উন মথক্তা স্কি থৌদুনা কিলোমিটর ১০ গী লমজেল তান্নবা তৌইগুম্বসুং মরক্তা মফম অনীদা নোংমৈ কাপ্পদা খূৎ চুম্বগী চাংয়েংসু পাঙথোকপা মশান্না অদুগী মমিং করিনো?
5. ওলেম্পিক্কী সাইকল লমজেলদা য়ু এস এগী ওইনা শরুক য়াদুনা সনাগী মেদল ফংখিবা পঞ্জাবী (সিখ) মচা অদুগী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ২৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন্দা ৱাই পি ও সোরা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৬ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা হৌখিবা তাং ২৪ দগী দি এস এ ককচীংগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৫ শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ুথ প্রোগ্রেসিব ওর্গেনাইজেশন (ৱাই পি ও) সোরা মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা সোসিএল ৱেলফ্যের ক্লব (এস দব্লিয়ু সি) অমসুং সেনা এথলেটস ওর্গেনাইজেশন (এস এ ও) ককচীং দ্রো ওইখ্রে।

টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরিবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এস দব্লিয়ু সি কৈরক অমসুং সেনা এথলেটস ওর্গেনাইজেশন (এস এ ও) গোল চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। অদুবু মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়াদি ফংনখি। মেচ অদুদা এস দব্লিয়ু সি কৈরক্কী রজনিকান্টা মেচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ৱাই পি ও সোরানা য়ু বি এস এ মন্তক গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা ৱাই পি ও সোরানা মায় পাকচরবসু মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নরকখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মেচ অদুগী হাফ মতুংদা ৱাই পি ও সোরাগী শান্নরোয়শিংনা মিকুপ নাহুমশিংনা শান্নরকখিবনা মেচকী ৪৯ শুবা মিনিটতা এম দি রিয়াজ খাননা টিমগী মায় পাকপগী গোল চনখি।

গোল শোথরিবা য়ু বি এস এ মন্তক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা ফনা কন্না শান্নখি। অদুবু গোল হন্দোকপা ঙমদনা মেচ মায়থীবা তাখি।

হয়েং মফম অসিমক্তুদা ফার্ষ্ট দিভিজনগী টিম য়ু সি সি ককচীং অমসুং ৱাই দি ও সোরা অনীনা অহানবা মেচ ওইনা নুংথিল পুং ১.২০ তাবা মতমদা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩.২০ তাবা মতমদা অক্সা ককচীং খুনৌ অমসুং কে এফ সি ককচীংগা শান্নগনি।








HL-B/3127/7/6-6/8







HL-B/3157/29/06-28/07